থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# অমোৎপা শেংবা হায়বসি মথক্তগী হৌদৌনি

ইন্দিয়াগী অপীকপা ষ্টেটশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী ফজনা, নীংথিজনা লৈপাক ঙাকপা (বেষ্ট গভর্ণান্স)গী মনা, 'মণিপুর'না চহী অহুল্লক থংন-থংননা ফংলে... হায়বা পাউ অসি তাবদা মণিপুরগী মীয়াম্না হরাও-তয়াম' নুংঙাইবা ফোঙদোক্ত্রিবসি করিগীনো...? ৱাকৎ-ওই করি-ওই তৌবা ৱাহংসি মণিপুর মীয়াম্না হংবা নত্তে। মীয়াম'-পাক-শন্না পানবা মণিপুরগী পাউচে'শিংদা ফোঙনরকখিবা হেদলাইন ন্যুজ অমসু নত্তে। সোসল-মীদিয়া হায়নবা, মোবাইল ফোন থোরক্লবা মতুংদা থোক্লকপা, অনৌবা পাউগী মীদিয়াদুগী খুত্থাঙদা থেংনরকখিবা, মণিপুর-লৈঙাক্কী মশক-নাইবা লৈঙাকপা অমনা হায়দোকখিবা ভিদিও-ক্লিপ অমদগী খঙলকখিবনি। ৱাহংদুগী পাউখুম-ঐঙোন্দদি লুনা থোকখিদে। চীনবান-লান্না, খোঞ্জেল থোক্না খুম্বা ঙমদবগী ৱানি। খঙই-ঐহাকখক্তা নত্তে, অতাবা কনাগী মফমদসু কৈসু লুনা থোক্লল্লোই। ফোংনা ফোঙদোক্লুরগা 'কৈশুমশঙ য়ৌগদ্রা' কিজবনা খুন্নক্তবা ওইরম্মি। অদুগা, মথম্মোয়দা অতোপ্পা ৱাহং অমসু মথন্তা হংজরমগনি- 'মণিপুরগী লৈঙাকসিনা খ্বাইদই ফবা লৈঙাক হায়'দু ওইরবদি, ইন্দিয়াগী অতোপ্পা, অপীকপা ষ্টেটশিংগী গভর্ণমেন্টতুদি কমদৌরমগনি'...?

য়েস! হৌজিক্কী লৈঙাকসি লাকপদগী হান্না উরমদবা অহোংবা অমত্তং হায়য়ু হায়বা তারবা- লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎলকপা, অমম-অথেঙ চৎপদা পোক্লম্বা অকিবা কোকখিবা, ফুরিৎখাউদা লুপা লিশিং মঙা-তরা হাপ্পগা চৎপদা লম্বীদা য়ুনিফোর্ম শেৎপা মীনা চেক তৌরমগদ্রা... ফেক এনকাউন্টরগী দ্রামা শান্নরক্কদ্রা খনবগী অকিবা মাঙখিবা... মদুমদি পন্দবা য়ারোই, লাই মীনম চাদনবা। অদুগা, ইম্ফাল ময়োনগী কুম পুরবা লম্বীশিংগী ফীভম ফগৎলকপা... ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট চঙলকপদগী ওইরিবা 'মণিপুর মান্দবা লম্বী'গী ফীভম অদুমগা... অনীসিবু পল্লমদ্রবা, পোলিটিক্সপু তুক্কচ্চজবা ঐহাকপু পোলিটিকল পার্টি অমগী মীচঙ লেপ্পা অইবা অমা ওইনা উখিনি।

'বেষ্ট গভর্ণান্স এৱার্দ' লৈঙাকসিনা ফংলে তাবদা ৱাখলসিনদি খনখিবনি- করম করম্বা পেরামিটরদা য়েংলগা পর্ফোর্মেন্স এসেস তৌরিবজাৎনো? লম্বী-থোং অমদি লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমনা ষ্টেট/লৈপাক অমগী চাউখৎপগী থাক লেপকদবা নত্তে। লৈপাক্তুগী মীয়ামগী ইকনমি (শেল-থুম)গী থাক, হকশেল অমসুং এদ্যুকেসনগী থাক অদুসু কানফম থোক্তবা ফেক্তর অনীনি। ঈংনা তপ্না, হকচাং ফনা, পুন্সি নুংশাংনা হিংবা পুন্সি ((পিছফুল, হেল্দি, লোঙ্গর লাইফ) অমা শাগোন্নজবা; মহৈ-মশিন হৈবা, তীঞ্জং-কায়জংদবা নহারোলনা য়ুম্বী ওইবা খুন্নাই অমগী য়ুম্ফম থোল্লম্বা; থবক ফংদবা, সুফম-নোম্ফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লদবা; শেঞ্জা-থুমজা, মীচঙ-শঙ্গ নাইবগী থবক-থৌশিল লৈতবা... অদুগুম্বা লমদুবু কৌই 'নুংঙাই-য়াইফবা (ৱেলফ্যের) ষ্টেট'। অসিগুম্বা হ্যুমেন দিভেলপমেন্ট ইন্দেক্স, চাউখৎপগী মীৎনা উবা খুদম চাংদমশিং- ঐখোয়গী লমদমসিদদি তায়ওন্ননা উবা ঙাক্তনি। মরম অসিনা, ঐখোয়গী অঙম অথৌশিংনা শেঞ্জা-থুমজা তৌদবা, কোনশেঙ-শানা ঙাঙলকপা... মীয়ামসিনা তানীংদে, নুংশিরম্বা মায়থোঙ-ৱাঙাঙসিনা নুংশিহন্দে। লৈঙাক্কী থবক লৌনবা এদভর্টিজমেন্ট থোক্লকপা, থবক্তুগী গ্রেদ মতুংইন্না-মন্ত্রি মন্দল/এম এল এ/ওফিসরশিংগী মরী-মতা, খঙন-চান্নবা থিদুনা লুপা লাখ-লাখ'না খুজিং ওইদুনা মমল লেপ্পগা হোৎচিন্নরিবা অচুম্বসি নহা, অহল, অঙাং মীপূম তিংনা খঙনৈ। লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট'না থোকপা 'মেরিত লিষ্ট' কনানসু থাজদে। হন্দক-মরক (মতম খরই মমাঙদা) মিনিষ্টর খরনা ঙাঙখিবা ৱা'দু মুন্না অমুক্তং তাবীয়ু- থবক হাপ্পদা করপসন তৌই/শেল চায় হায়বসি মশানা হায়দোকচবগা মান্নবনি। হন্দক, মতম কুইনা হায়দোক্তনা লাক্লবা আই আর বি সিফাই লৌবগী এগজাম-রিজল্ট হায়দোকখিবদুদা এম এল এ অমমম'দা তরামঙা/তরামঙা থুংলগা অখন্নবা এম এল এ খরদা মশীং হেন্না পী হায়বই ৱাথোক/তোকঙা অমা থোকখিবদু লৈপাক সরা শনখিবনি। এম এল এ খরদি মোবাইল স্বীটচ-ওফ তৌশিল্লগা মীরমদা লোত্তুনা লৈরুই হায়নফাও' ঙাঙনখিবনি। এম এল এ অমগা অমগা লৌরম্বা শেলগী রেট মান্নখিদে। লায়রবা ইমুং অমগী নুপামচা অমা, শেল পীখিদনা খল্লকপদা মমাদুনা পেল্লদুনা মাগী এম এল এ'দুগী ময়ুমদা চৎলগা মপি তানা খুরুম্লুবই পাউ অমসু ফৌমান য়ান্না তারকখি। লাখ মঙা/তরা লৌখি/লৌখ্রগা হাপ্লক্তে হায়বা পাউদুদি নোর্মেল ওইবা, অচুম্বা পাউনি খন্নখি। শেল লৌদনা হাপ্লকই, এম এল এ'গী ময়ুমদা পিরাং শীন্থরুই হায়বা পাউদুদি শেমজিনবা/হায়জিনবা পাউনি খন্নখি। কয়াদা মথোঙ হুকখিদ্রবা মীওইবগী মাইন্দ-সেটনো য়েংবীয়ু।

ঐখোয় খঙই- ঐখোয়গী চীফ মিনিষ্টর'না শেঞ্জা-থুমজা তৌদবা, অচুম্বা চৎপা লৈঙাক অমা লীংবা পাম্মী-মাগী লীচিং মখাদা। অদুনসু এন্টি-করপসন-সেল অমা লীংখৎলুরিবদুনি। অদুবু কৈদৌনি? হুরানবগী লৈপাক্তবু হুরানবা ফানবা মীওই খুজোক, কৈদৌরুবা ঙমগনি? নিংথৌদুসু হুরানবা, মন্ত্রিদুসু হুরানবা, পুলিসবুসু হুরানবা, ৱায়েন-মপু মাসু হুরানবা, লৈপাক প্রজাসু হুরানবা... কনানা কনাবু ফারুনি? করম্না ৱায়েন চখুনি? সী এম বিরেনগী থৌদাং- অচৌবা, অরুবা থৌদাং অমনি। অমোৎপনা থল্লবা কা অমা- লৈমায়, ফক্লাং, সিলিং ঙম্নমক পূমমোৎ মোৎলবা কা অমবু মোৎহন্দনবা শেংদোকপা হায়বসি খ্বাইদই লুবা থবক্লি। লৈমায়দু ঙসি শৃৎ-নান্না শেংদোক্লম্মু, হয়েং পূমমোৎ মোৎলম্মি। অদুনা হায়নরম্লিবনি- ক্লিন্সিং সুদ ষ্টার্ট ফ্রোম দ তোপ... অমোৎপা শেংদোকপা হায়বসি মথক্তগী হৌদৌ'নি। অদুগা, এগজেমপ্লেরি পনিসমেন্ট-মীয়াম উবা, কাউঙমদবা চৈরাক অমসু পীগদবনি।

অচুম্বা ৱায়েনগীদমক মমিং চৎখিবা 'অকবর'গী ৱারী অমনা ৱারেংসিগী পোলোই ওইজগে। নোংমা, অকবরগী দরবার'দা লৈপাক্তুগী মমিং চৎপা অফাওবা মীওই খরা কৌখত্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎকনি, মনা মথুম পীগনি লাউথোক্লম্মী। মনা ফংগদবা মীওইশিংদুই মরক্তা 'মহেশ দাস' কৌবা নুপা অমা য়াওরম্মী। অখন্নবা থৌরম্মি, অখন্নবা মীওই খরতবু বার্ত্তন তৌবনি। সনথোঙদা চঙলকপশিং পান্নবা থোঙঙাকপদুনা 'মহেশ দাস' মনা ফংদৌবা মীশক অমনি খঙবদগী চঙবা থিংলম্মী- 'তরেৎ শেঞ্জা পীরমদনা চঙবা য়ারোই'। মখুত্তা শেল য়াওদে খঙলবদা য়ানবা অমা পুরক্লে- 'নিংথৌনা পীবা মনাদু তংখায় তংখায় য়েন্নসি'। শৈশকপা, লৌশিংবা, খুৎহৈবা মীশক কয়াদা সনা-লুপা-শেল য়েন্থোক্লবা মতুংদা মহেশ দাস'তা হংলক্লে... 'করিনো নঙগী অপাম্বা'?

-সনা লুপা পামজদে, ফি থোংদবা ঈনমগনসিদা অকনবা লীচৈগী চৈফু চাম্মা চৈফম তানা ফুবীয়ু।

অতাবশিংবু ঙকহনখি, নিংথৌরেল অকবর য়াওনা। লৌশিংবা নহানি, মরম অমা লৈরমগনি- খঙখি নিংথৌ অকবর'না। 'মনাদুমক পীগনি, অদুবু, মরমদুদি হায়গদবনি- করিগীনো নহাক্লা মনা অসি নিরিবা'? থোকখিবা থৌদোক্তুগী পাউদম তম্লে মরীক চুম্না... 'ইনিংথৌগী থোঙশঙবসিগা তংখায় য়েন্নজগদবনি'...।


নিংথৌরেল অকবর'না খঙখি- মহেশ দাস'না পাল্লিবদু করিনো? থোঙশঙবদু কৌখত্তুনা লৈপাক মাঙদা লীচৈ চামই মনাদু পুল্লপ পীখি মঙোন্দা। মনাদুগী মথক্তা থমখি মাবু কৈশুমশঙদা পুন্সি চুপ্পা। খঙবীবরা-? মহেশ দাস, কনা নত্তে, নুমীত্তুগী মতুংদা অকবরগী অচানবা মনাই (মন্ত্রি) ওইরকখিবা 'বীরবল'নি।

অকবরগুম্বা পোলিটিকল এদমিনিষ্ট্রেটর অমা শ্রীনোংথোম্বম বিরেন'বু ওইহনজনীংদুনা ৱারেং অসি ইজবনি।

লৌশিং পুক্কে

# তূম্বা হৌগৎলকপা মতমদা

## চাং নাইনা তৌগদবা থবকশিং ইথোকপগী হৈনবী থমগদবনি



মালেমদা লৈরিবা মীওই খূদিংমক্না ঙন্না তূম্বা ঙন্না হৌগৎপা হকচাং ফৈ হায়বা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু অয়ুক য়াওহৌরকপা মতমদা নুমীৎ অদুগী ওইনা ৱাখল নুংঙাইনা লৈনবা অমদি হকচাং ফনা থম্নবগীদমক করম্বা হৈনবী লৈহনগদগে হায়বগী মতাংদদি ঐখোয়না কা হেন্না নৈনরুবা তৌদে। শম্না হায়রবদা অয়ুক অঙনবদা ঐখোয়না মরুওইবা থবক অমা চৎকদবা লৈরবদি তূম্বা হেক হৌগৎলকপগা হকচাং শেংদোক্লবা মতুং মরুওই হায়না খল্লিবা থবক অদু চৎনবা হোৎনবনা মরুওইবা থবক ওইনা তৌনরি। অদুবু মসিগী মহুৎতা ঐখোয়না তৌবা য়াবা কয়া অমা লৈরি। খুদম ওইনা হায়রবদা অয়ুক তূম্বা হৌগৎলকপা মতমদা ৱাখল নুংঙাইনা খন্নবা হোৎনগদবনি। মসিনা নুমীৎতুগী ওইনা হকচাংবু তগৎ-তগৎ তেক্লা ৱাখল নুংঙাইনা থম্বা য়াম্না মতেং পাংই। ঐখোয়না হকচাং ফনা লৈহন্নবগীদমক অয়ুক য়াওহৌরকপা মতমদা পাঙথোকপা য়াবা থবক থৌরম খরগী মতাংদা খঙমিন্নসি।

১) অয়ুক ঐখোয়না মীকপ থোক্লবা মতুং ফমুংদগী কুমথদ্রিঙৈদা অফবা ৱাখল অনী/অহুম খন্নবা হোৎনগদবনি। মসিনা নুমীৎতুমা ঐখোয়গী ৱাখল নুংঙাইনা লৈহনবদা চাউনা মতেং পাংবগা লোয়ননা থবক তৌবদা মায় পাকপগী চাংসু ৱাংগনি।

২) য়াওহৌরকপা মতমদা ঐখোয়না য়ারিবমখৈ টেক্নো লোজিগী ওইবা পোৎলমশিং মরুওইনা মোবাইল ফোন শীজিন্নরোইদবনি। য়াওহৌরকপদা ঐখোয়না মোবাইল ফোন শীজিন্নবগী হৈনবী থল্লবদি অতোপ্পা ৱাখল হায়বদি অফবা পোজিটিভ ওইবা ৱাখল খনবগী মহুৎতা মোবাইল স্ক্রিন অদুদা ঐখোয়গী পূক্নিং লূপশিনখিগনি। মসিনা মরম ওইরগা ঐখোয়না তৌবা য়াবা থবক থৌরম কয়াদা কায়হল্লকপা য়াই।

৩) মেদিটেসন তৌবা অসি য়াম্না কান্নে হায়বা মালেমদা লৈরিবা মীওই খূদিংমক্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। অদুবু অয়ুক য়াওহৌরকপদা মেদিটেসন তৌবা মীগী মশীংদি পংয়াম য়ামদে। হকচাং ফনা লৈহন্নবা হোৎনবদা অয়ুক য়াওহৌরকপদা মেদিটেসন তৌবা য়াম্না মথৌ তাই। মেদিটেসন তৌবনা নুমীৎতুগী ওইনা ঐখোয়না তৌগদৌরিবা থবক থৌরমশিংদা মপুং ফানা ফোকস তৌবা ঙম্বগা লোয়ননা পূক্নিং-ৱাখল অনীমক লৈতাহন্না লৈবদা চাউনা মতেং পাংই। অহানবগী ওইনা ঐখোয়না মেদিটেসন তৌনবা হোৎনবদা পূক্নিং চঙদবা য়াই। অদুবু য়াওহৌরকপদা মেদিটেসন তৌবগী হৈনবী অমা চপ চানা থম্বা ঙমখ্রবদি ৱাখল অমসুং পূক্নিংদগী ফজদবা কয়া লৌথোকপা ঙমদুনা তগৎ-তগৎ তেকপা ৱাখল্লোন অমদা লৈহনবা ঙমগনি।

৪) তূম্বা হৌগৎলবা মতুং ঐখোয়না নুমীৎতুগী ওইবা তৌগদবা থবক থৌরম খূদিংমক ইথোক্তবসু শুংশোয় শোয়দনা তৌগে হায়না খনবা থবকশিংগী লিষ্ট অমা শেমদোক্তুনা ইবগী হৈনবী থমগদবনি। ইথোক্তুনা থল্লবা থবকশিং অদু হঞ্জিন-হঞ্জিন য়েংবা মতমদা করি মরমগীদমক ঐনা থবক তৌগদৌরিবনো হায়বা ৱাখল অমা শোয়দনা ফাওরক্কনি। মতমদুদা নহাক্লা তৌগদৌরিবা থবক অদুগী কান্নবা অমদি ভেল্যু মপুং ফানা খঙবা ঙমগনি। থবক্তুগী কান্নবা খঙলবা মতমদা শুংশোয় শোয়দনা থবক অদু পাঙথোক্তবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোন লাক্কনি। মসিনা মায় পাক্লবগী লম্বীদা পুশিল্লকপদা খুদোংচাহনগনি।

৫) তূম্বা হৌগৎলবা মতুং ঐখোয় ইশানা তূম্লিবা ফমুং লোইশিনবগী হৈনবী থমগদবনি। ঐনা তূম্লিবা ফমুং অদু কনাগুম্বা মীওই অমনা লোইশিনগনি হায়বগী ৱাখল্লোন লৈহল্লোইদবনি। থবক অসি ইচম চম্বা থবকনি। অদুম ওইনমক হৌগৎলকপা মতমদা ফমুং লোইশিনবগী হৈনবী থমখিবা মীওই অয়াম্বা মীঙোন্দা থৌদাবগী ৱাখল্লোন নেম্মী। থবক খূদিংমক মশানা মায় পাক্লা পাঙথোক্কে হায়বগী ৱাখল্লোন্না মাঙ থারগা চৎলি হায়না রিছার্সরশিংনা ফোঙদোক্লি।

৬) হকচাং ফনা লৈহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয়না চারিবা চীঞ্জাক্কী মখা য়াম্না পোল্লি। মরম অদুনা অয়ুক য়াওহৌরকপা মতমদা ঐখোয়না চাগদৌরিবা ব্রেক ফষ্ট য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। অয়ুক য়াওহৌরকপদা ঐখোয়না প্রোটিন য়াওবা দাইট নৎত্রগনা অশংবা মনা-মশিংগী পোথোকশিং চানবা হোৎনগদবনি। মসিগী মথক্তা কোফী নৎত্রগা গ্রীন জ্যুস থকপনসু হকচাংদা য়াম্না কান্নবা পীবা ঙমগনি হায়রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# রূপ রাগনা পীদুনা এৱার্দশিংগী মথক্তা এৱার্দ মরি হেনগৎলগনি, লাক্লিবা দিসেম্বর ৩১দা মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঈশৈগী থৌরম পাঙথোক্লগনি : আর আর

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : রূপ রাগ (আর আর)না গ্রেট টু নাইট হায়না পাঙথোক্লম্বগী মহুৎতা অদুঙৈগী ঈশৈ হায়না মিংথোন্দুনা লাক্লিবা দিসেম্বর ৩১দা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্লগনি। মসিগা ঈরোয়ননা রূপ রাগনা চহী খরা লেপ্পুরগসু হান্না পীরম্বা এৱার্দতগী এৱার্দ মরি হেনগৎলগা লাক্লিবা ২০২৩দগী পীবা হৌরগনি হায়না রূপ রাগগী প্রসিদেন্ট শামুরাইলাৎপম নবচন্দ্র (নবভোলকেনো)না ফোঙদোকখ্রে।



উরিপোক অচোম লৈকায়দা লৈবা মখোনমনি মোংশাবগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা মীফম অমদা শামুরাইলাৎপম নবচন্দ্রনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, রূপ রাগ অসি য়াম্না লীরবা লূপ অমা ওইবদা নত্তনা লমদম অসিগী ঈশৈ-নোংমাই, লীলা, দ্রামা, মণিপুরী ফিল্ম ঈশৈনচিংবা কয়াদা থৌগল তৌদুনা লাক্লবা লূপ অমনি। কুমজা ১৯৬০গী ওগষ্ট ১৫দা য়াইস্কুলদা লৈবা ইমাসি বিনোদিনীগী য়ুমদা লিংখৎখিবনি। ১৯৬৩দা রেজিষ্টর তৌদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরকখিবা অসিদা খুদোংচাদবা খরা লৈবা অমদি লৈবাক্কী ওইনসু অৱা-অনা খুদোংচাদবা কয়া লৈখিবা মরম্না পুনখিদবদগী মতম খরা খোঙজেল তপখি। অদুবু হৌজিক অমুক হান্নগী রূপ রাগগী অকনবা খোঙজেল অদু অমুক হল্লক্লবগীদমক্তা হোৎনবগা লোয়ননা অনৌবা থৌ পুগদবা কয়াসু ২০২২দগী ২০২৫ ফাওবগী ওইনা খল্লে। মণিপুরগী মতম ঈশৈ চাউখৎনবা হোৎনবদা অহল-লমনগী পাউতাক লৌজরগা পাঙথোরকপা ঙাক্তনি। অপূনবা মণিপুরগী মতম ঈশৈগী মফম থম্নবা হোৎনরকপনি। চহীগী অরি-অনৌ শীন্নবগী ঈশৈ থৌরমদা দ গ্রেট টু নাইট হায়না পাঙথোক্লম্বদু হন্দক্কী চহীদগী হৌরগা অদুঙৈগী ঈশৈ মিংথোন্দুনা পাঙথোক্লগনি। অনৌবা শৈশকপা-শৈশকপীশিংগা পুন্না ঈশৈ শক্কনি। তৌবতবু থৌরম অসিদা অরিবা ঈশৈ ঙাক্তা শক্কনি। অনৌবা ঈশৈ অমত্তা শক্লোই। মরম অদুনা ঈশৈ অসিসু লেম্না য়েংনবগীদমক্তা পাঙথোকচবনি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, মতম খরা শোত্থদুনা লৈরুরগসু হান্না রূপ রাগনা শৈশকপা-শৈশকপীশিংদা পীদুনা লাকপা এৱার্দ, রূপ রাগ খুরাইজম এৱার্দ, অয়েকপম লক্ষ্মন এৱার্দ, হরিচরন এৱার্দ অসি ২০০০দা লান্থোকপা হৌরমখি। এৱার্দ অসিদগী হেন্না দল্লিয়ু শ্যামশন, অহৈবম শ্যাম, অহৈবম বুধচন্দ্র অমসুং খুন জয়কুমার এৱার্দ অসি হাপচিল্লগা কুমজা ২০২৩দগী অমুক লান্থোকপা হৌরগনি। মসিদা সী এমনসু মতেং পাংবীরকপগা লোয়ননা কেবিনেট মিনিষ্টরশিংসু পেত্রোন মেম্বর ওইনা হাপচিন্দুনা রূপ রাগ চাউখৎনবা হোৎনবদা শেল-থুমগী অৱাৎপদা মতেং পাংনবা হোৎনজবনি। মসিগা লোয়ননা কলচরেল য়ুনিভর্সিটিদসু এফিলিয়েট তৌনবা হোৎনরি। বেঙ্গোলদা লৈরিবা শান্তিনিকেটনগী লেভেলদা হৌরক্লিবা অঙাংশিংবু শেমগৎনবা হোৎনরি। অদুগা য়ুনভির্সিটিগী রিছার্স তৌনিংবদা পেপর ৱার্কশিং ৱাৎতনা পুথোক্লবা, লায়না ফংনবসু হোৎনগনি। মসিগী মথক্তা চীংদসু চৎতুনা রূপ রাগবু খঙহন্নবগী পান্দম থম্বা খক্তা নত্তনা মণিপুরগী মপান্দসু বরাক ভেলি, ব্রহ্মপুত্র, হোজাই, গুৱাহাতি অমসুং বাংলাদেশনচিংবসু চৎকনি। করিগুম্বা মতম ফরগদি বর্মাদা লৈরিবা ইরৈচাশিং রেংগুন অমদি মন্দলেনচিংবদসু চৎকনি। অদুনা অনৌবা শৈশকপা কয়াসু শেমগৎকনি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা রূপ রাগগী ভাইস প্রসিদেন্ট মখোনমনি মোংশাবনা ফোঙদোকখিবদা, রূপ রাগগী চহী ৬২ মপুং ফাবগা লোয়ননা চহী অমা চুপ্পা থৌরম পাঙথোক্কনি। লমদমসিগী মশক নাইরবা অহল-লমন কয়ানা থাবীরম্বা উপালনি অমদি থন্বীরম্বা য়ুম্ফমনি। রূপ রাগনা লিশাং শিংনা মখল কয়াগী ঈশৈ-নোংমাই, মখল-মথেল থৌরমনা মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা লাকখিবনি। ঈশৈ-নোংমাইদা নত্তনা ফম্বাক লীলা, রেদিওগী ঈশৈ শক্তম কয়া লান্থোকখি। লৈবাক নীংবা ঈশৈ, লাইশোল ঈশৈ, লমদম অসিগী ওইবা ঈশৈ (ষ্টেট সোং) ওইবা কয়াসু শেমগৎলকখি। অদুনা লাক্কদৌরিবা চহী অসিদগী অনৌবা থৌদাং খরসু হাপচিল্লগা মীয়ামগা খুৎশম্ননা লৈবাক্কী অমসুং ইরমদমগী থৌগল তৌগনি হায়খি।

রূপ রাগগী কুমজা ২০২২দগী ২০২৫ ফাওবগী ওইনা খনখ্রবা থৌ পুগদবশিং অদুদি ভাইস প্রসিদেন্টতা ইরেংবম কৃষ্ণচন্দ্র, জেনরেল সেক্রেটরিদা হামোম পুর্ণনন্দ্র, জোইন্ট সেক্রেটরি ও গীত, ট্রেজরিদা জি সুরচন্দ্র, পব্লিসিটিদা ঐচ প্রিয়োবর্ত, জোইন্ট পব্লিসিটিদা শামুরাইলাৎপম গোকুলচন্দ্র, কে এস ঐচ সন্নি অমসুং লিগেল এদভাইজর ঙাঙোম তেজকুমারনি হায়রি।

## সঙ্গীত কলা সঙ্গমগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : সাহিত্য একাদেমী ন্যু দেল্লী অমসুং সঙ্গীত কলা সঙ্গম খুরাইগা পুন্না খুৎশম্নদুনা হৌখিবা দিসেম্বর ২৫গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা সঙ্গীত কলা সঙ্গমগী ওদিটোরিয়মদা লিটরেরি ফোরম ওন লাইফ এন্দ ৱার্ক্স ওফ কোইজম ধিরেন হায়বা হীরম অসিদা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না সঙ্গীত কলা সঙ্গম ইম্ফালগী সেক্রেটরি এম বসন্তগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুদা বাবুতোননা প্রসিদেন্ট অমসুং ফোর্মর কনভিনর, মণিপুরী এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমী ন্যু দেল্লী প্রোফেসর হুইরেম বিহারীনা মোদরেটর ওইখি। থৌরম অদুদা মণিপুরী এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমী ন্যু দেল্লীগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা ৱেলকম অমসুং ইন্ট্রদক্টরি স্পিছ পীবগা লোয়ননা ডা. অথোকপম খোলচন্দ্রনা কোইজম ধিরেন এজ এ প্লেরাইট, ডা. লোংজম আনন্দনা দিস্কসন ওফ কোইজম ধিরেন এজ এ পোইট, ডা. নাওরেম অহঞাও মৈতৈনা কোইজম ধিরেন এজ এ নোভেলিষ্ট হায়বা হীরমশিংদা পেপরশিং পাথোকখি। লোয়ননা সঙ্গীত কলা সঙ্গমগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লুখি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৮।১২।২০২২ ইং, য়ুমশকৈশা;
ৱাকচিংগী ৬ নি পানবা।

মেষ: অশাওববু ফাথরদি মাঙগদবা অমত্তা লৈতে। য়েংনবদা মায় পাক্কনি, শেল চঙগনি, য়েক্লবা ঙম্লনি, অফবা মরুপ ফংগনি, নীংবা থুংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

বৃষ: ৱাখল থোক্কনি, শেন্দোং চাওনা ফংগনি, লান্দবনা হেন্না কান্নগনি অমদি লৌশিং চাওগনি। য়েংনবা অমদি লম চৎপদি খরা পাঙলোই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: নীংবা মপা চাদ্রসু কান্নবা খরদি লাক্কনি, লম চৎপা ওইজবা ফংগনি। হেন্না খুৎ চাওবা, নাপল তৌবা অমদি ঈরাং পুবদি মতাং চারোই।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

কর্কট: থৌনা লৈয়ু অমদি থাংজিনখ্রবা লম্বীদুদা মায় লৈগনু-শোয়দনা মহৈ ফংগনি। নচা ননাইগী মতেং লৌবসু ওইজ-ওইথক ফংবা হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না আশা চাওবা য়াখিরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শেঙ্গোম

সিংহ: অশিংবা তান্নবদি তৌগনু। ৱাখল থোকপা, শেন্দোং য়াম্না লৈবা, ফমথোল ফংবগুম ঈকায় খুম্নবীবা, অয়েৎপা কোকপদি ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কন্যা: চিংনবা কিবা পোকপা অমদি পাউ নুংঙাইতবা তাবা লৈগনি। শেল থুমগী লমদা অমদি লৌশিং তানশিনবগী লমদদি চাওনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীচঙ লৈ-ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: মী ঙমগনি, পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা অফবা মফম ফংজগনি, মীগী মতেং ফংগনি অমদি মী পুল্লগা নুংঙাইজৈ। পাঙনিংবা থবক্তি পাঙলোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি চেৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

বৃশ্চিক: শাওনিংবা, লন মরম চাদনা চৎপা, য়েক্লবনা পাঙ্গলবা অমদি নীংবা মপা চাদবা নুমিৎনি। ঈকায় খুম্নবদি ফংগনি, ঙাং-শকপা হৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: খাঙবা কল্লদি লন মাঙবা য়াবা অমদি নক্লবগা মরী তৎপা য়াবদৈ কনবা ঙমগনি। লল্লোনবদা, অনৌবা থৌরমদা ওইজ-ওইথক ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক খরদি ফরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: পুক্নিং ফাথনা লৈগদবা নুমিৎনি। অনম তাল্লবা অমদি মীৱা থাজরবা মাঙবতা নংগনি। অরিবা থবক থৌরমদমক পাঙউ। মরুপ তাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুকচেল চাওথোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কুম্ভ: হরাওবা, নুংঙাইবা, মীচঙ হেনগৎপা অমদি ইচঙ থৌরি মতিক লন চঙবা হেনবা লৈ। নক্লবনি খল্লুবশিংনদি তাথিগনি-ফিংগনু ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

মিন: হন্থববু লোয়নদ্রবা অমদি মরম খঙদনা হোয়া ফদ্রদি লম খুদিংদা মায় পাক্কনি। মী লোয়নবা হেন্না লন ফংগনি, ঙাং-শকপা পকচগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজৱা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, অন্দ্রো এ সীনা হৌখিবা দিসেম্বর ২১দা খৌপুম লম্বীগী তুইবোংদা থোকখিবা লাইবক থীবা লম্বীগী এক্সিদেন্ট অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ঙসি ১০নি চনবা নুমীৎতা ঈকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা থৌদোক থোকফম মফম অদুদা চৎতুনা হৈকৎ-লৈকৎ তমখ্রে।

ঙসিগী হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম অদুদা দি ও এ কেগী মরুওইবা থৌমীশিং শরুক য়াবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবশিং অদুগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনিজখি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

## সিলেটতা ইন্টরনেসনল মণিপুরী সোর্ট ষ্টোরি ফেষ্টিভেল ২০২২ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংশদ, সিলেট অমদি মণিপুরী সোর্ট ষ্টোরি সোসাইটি ইন্দিয়া অনীনা শীন্দুনা সিলেটকী মনুং চন্না লৈবা কোর্ট পোইন্টকী জিলা পরিষদকী কনফরেন্স হোলদা ইন্টরনেসনল মণিপুরী সোর্ট ষ্টোরি ফেষ্টিভেল পাঙথোকখ্রে।

ইন্টরনেসনল মণিপুরী সোর্ট ষ্টোরি ফেষ্টিভেল ২০২২ হৌদোকপগী থৌরমদা সিলেটকী দি সী ডা. মোহম্মদ মুসরফ হুসেননা চীফ গেষ্ট ওইখি। লোয়ননা থৌরম হৌদোকপদা বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংশদ, সিলেট অমদি মণিপুর সোর্ট ষ্টোরি সোসাইটি ইন্দিয়া অনীনা পুন্না বাংলাদেশকী নেসনল এন্থেম শক্তুনা ফিরাল চিংখৎখি।



ফেষ্টিভেল অসিগা মরী লৈননা সিনাম তনুবাবু মেমোরিএল ইন্টরনেসনল এৱার্দ চহী অসিগী ওইনা ক্বাকৈথেল থোকচোম লৈকায়দা লৈবী মুতুম রমনিনা ইবা *ফোংঙমদ্রবা চৈনাখোল* হায়বা লাইরিক্কী অইবী অসিদা লান্থোকখি। লোয়ননা মণিপুরী সোর্ট ষ্টোরি সোসাইটি ইন্দিয়াগী লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ, রাজকুমার সিতলজিৎ নীংশিং মনা ২০২২ বাংলাদেশকী শক্লাইরবা অইবা এ কে সেরাম সিলেট বাংলাদেশতা লৈবদা পীখি। অমরোমদা, সোসাইটি অসিগী পম্থুং তম্না কৌবা খোমজিল্লগা ফোঙবা লাইরিক অমসু হৌনবী মতুংইন্না চীফ গেষ্টনা ফোঙখি।

লোয়ননা তোঙান তোঙানবা অইবী উশারানি অমদি লাইরেনলাকপম ঙৌবনা ইবা লাইরিকসু মীয়াম মাঙদা ফোঙখি। থৌরমগা মরী লৈননা বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংশদ, সিলেটকী প্রসিদেন্ট এ কে সেরামনা ফোঙদোকখিবদা, পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিভেল অসিগী পান্দমদি মণিপুরী সোর্ট ষ্টোরি অসি য়াম্না চাউখৎলে অমদি থাক ৱাংলে হায়না খঙহনবা অসিনি। বাংলাদেশতা ৱারীমচা লাইরিক অনীদগী হেন্না ইদ্রি। মরম অসিনা ইন্দিয়াগী ৱারীমচা ইবা অইবা-অইবীশিংগা বাংলাদেশকী অইবা-অইবীশিংগা পুন্দুনা ৱারীমচাবু হেন্না খঙহন্নবা হোৎনবা অসিনি। মসিদা চোইনা খুন্দারিবা মণিপুরী ইচিল-ইনাওশিংগা পুনশিন্দুনা নুংশিনবা অমদি অচেৎপা মরী থম্নবনি হায়খি।